**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 21-07-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১ ) শ্রী পুনিত কুমার গোয়ল ঙসিদগী মণিপুরগী চীফ সেক্রেতরি ওইনা থবক পায়বা হৌখ্রে। মহাকা শ্রী প্রসান্ট কুমার সিংহগী মহুৎ শিল্লে।

২) ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদা আইননা য়াদবা মওংদা লম খোপচিনবশিং লৌথোক বা খঙহনবা লৈখ্রে।

৩) তোঙান তোঙানবা মীহুৎ কাংবু কয়ামরুমা রাজ ভবনদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লাগা উন্নদুনা দাবী কয়া তকশিনখ্রে।

৪) রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিংদা সরকারগী খুদোংচাবশিং ফংহন্নবা পান্দমদা নুমিৎ হুমি চখ্থগদবা কেম্প ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ওইনা ঙসিদগী হৌখ্রে।

অমসুং

৫) সংসদকী নোংজ্ মীফম ঙসিদগী হৌখ্রে। মীফম মথং থাগী ২১ ফাওবা চখ্থগনি।

ঙসি অহৌবা নুমিৎতা রাজ্য সভানা অয়াবা পীবগা লোয়ননা সংসদনা লেদিং বিল ২০২৫ পাস তৌখ্রে।

------

পিকে গোয়ল (এল)ঃ শ্রী পুনিত কুমার গোয়ল ঙসিদগী মণিপুরগী চীফ সেক্রেতরি ওইনা থবক পায়বা হৌখ্রে। মহাকা শ্রী প্রসান্ট কুমার সিংহগী মহুৎ শিল্লে। ঙসি ইম্ফালগী ওল্ড সেক্রেটরিয়েটতা লৈবা চীফ সেক্রেটরিগী ওফিসতা পাঙথোকপা অচন্বা থৌরম অমদা শ্রী পি.কে. সিংহনা শ্রী পুনিত কুমার গোয়লদা ফম শিন্নখি। থৌরম অদুদা সরকারগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি।

সরকারনা ঙসি থোকখিবা চেরোল অমগী মতুংইন্না শ্রী পুনিত কুমার গোয়লনা চীফ ভিজিলেন্স কম্মিসনার অমসুং নিউ দিল্লিদা মণিপুর ভবনগী প্রিন্সিপাল রিসিদেন্স কম্মিসনার ওইনসু থবক পুগনি।

ডে (এল)ঃ মণিপুরদা চহি খুদিংগী ওগষ্ট ২৫ অসিবু মণিপুর এক্সাইজ রাইজিং ডে হায়না পাঙথোক্লগনি। নুমিৎ অসি কুমশি চহিদগী হৌনা পাঙথোক্কনি হায়না এক্সাইজগী কম্মিসনারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি। নুমিৎ অসিদা এক্সাইজ ওফিসিয়েলশিংনা লৌরিবা থৌদাংবু শকখঙবা ওইনা ইকায় খুমবা উৎকনি।

ইভিক্সন (এল)ঃ ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনারনা থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না আইননা য়াদবা মওংদা লম খোপচিনবশিং লৌথোকবা খঙহনবা লৈখ্রে। মসিগী মতুংইন্না ইম্ফাল ইয়ারপোর্ট লম্বী, মোইরাংখোমদগী শিংজমৈ ফাওবা, উরিপোক লম্বীনচিংবা মফমশিংদা লম খোপচিনদুনা শাজিল্লম্বশিং তকথোকপগী থবক চথ্থরক্লি। মসিগী শরুক অমা ওইনা ইম্ফাল মনুংগী খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল, থঙ্গাল বজার অমদি পাউনা বজারদা হয়েংদগী হৌরগা ইভিক্সনগী থবক অসি মখা তানা চথ্থরগনি হায়রি।

পোপ্যুলেসন(এল)ঃ মালেমগী পোপুলেসন নুমিৎ রাজ্য থাক্তা ঙসি পাঙথোকখ্রে। হেলদি তাইমিং এন্দ স্পেসিং বিত্বিন প্রেগনেন্সিজ ফোর প্লান পেরেন্টহুদ’ হায়বা হীরমদা থৌরম অদু ইন্দিয়ান মেদিকেল এসোসিয়েসন

লমফেলপাৎতা পাঙথোকখি। দাইরেক্টোরেট ওফ হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফিয়র সর্ভিসেস অমসুং ষ্টেট হেলথ সোসাইতি নেসনেল হেলথ মিসন মণিপুরনা অনিনা পুন্না শিনবা থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা হেলথ সার্ভিসেসকী দাইরেক্তর ডাঃ চন্বো গোলমৈন হায়- মমা ওইবী নুপীশিং মশা মউ ফনা থন্বীবা তঙাইফদে। অফবা নুংঙাইবা ইমুং অমা ওইগে হায়রবদি ফেমিলি প্লান্নিং নিংথিনা তৌগদবনি।

থৌরম অদুদা নেসনেল হেলথ মিসনগী ষ্টেট মিসন দাইরেক্তর এম.দিনেশ সিংহ, ফেমিলি ৱেলফিয়র সার্ভিসেসকী দাইরেক্তর ডাঃ এন. হেমন্ত কুমার অমদি অতৈ ওফিসিয়েল কয়া শরুক য়াখি।

কোবিদ (এল)ঃ মণিপুরদা ঙসি মীওই অমখক কোভিদ নাইন্তিন পোজিতিভ ওইবা থেংনখি। পুন্না মীওই ১০ টেষ্ট তৌবদা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাদগী মীওই অমা পোজিতিভ ওইবা থেংনখিবনি। রাজ্য অসিদা হৌজিক এক্তিভ কেস ৯ লৈরি। মীওই অমা নাবা ফদুনা দিসচার্জ তৌখিবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা নাবা ফবা অপুনবা মশিং ৩২৪ শুরে। কোভিদ নাইন্তিনগীদমক মীওই লিশিং ১,৩৪৮ টেষ্ট তৌবদা মীওই ৩৩৩ পোজিতিভ ওইবা থেংনখি।

মৈ (এল)ঃ ইম্ফালগী লমফেল সনা কৈথেলদা লৈবা য়ুম অমা ঙসি নোংঙাল্লমদাইদা মৈ চাক্লপদগী মণিপুর ফয়ার সার্ভিসকী কাংবুনা মতম চানা চংশিনদুনা কনবা ঙমখ্রে।

মণিপুর ফয়ার সার্ভিস কন্ত্রোল রুমনা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুংইননা মৈ চাকপগী থৌদোক অদু ঙসি নোংঙাল্লমদা পুং ২ মিনিত ৫২ অদুৱাইদা থোকখিবনি। থৌদোক অদুদা শোক্লবা মীওই অনি ইম্ফালগী রিমস হোস্পিতাদল পুখৎতুনা লায়েংলি।

রাজ ভবন (এল)ঃ এক্স ওতোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলস এসোসিয়েসনগী মীহুৎ কাংবু অমনা ঙসি রাজ ভবনদা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লাগা উন্নখ্রে। দেবিত কে. সিমরেনা লুচিংবা মীওই ৭ না শাবা মীহুৎ কাংবু অদুনা মখোয়না থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং অমসুং য়াইফ থৌরাংশিং লৌখৎপীনবা য়াওনবা মেমোরেন্দম অমা রাজ্যপালদা খুৎশিন্নখি।

অমরোমদা, ত্রাইবেল য়ুথ কাউন্সিল মণিপুরগী মীহুৎ কাংবু অমনসু রাজ্যপালগা উন্নখি। মখোয়না রাজ্য অসিদা লৈরিবা ত্রাইবেল জাতিশিংগী য়াইফ থৌরাংশিং য়াওবা দাবী পীশিনখি। মখোয়গী খুদোংচাদবশিং পল্লদুনা হায়- ত্রাইবেল এফ্যারস অমসুং হিলস বিভাগতা কর্ম্মচারি ৱাৎপনা মসিগী এদমিনিষ্ট্রেসনদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োকহল্লে। স্কুলশিংগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং অদুক্কী মতিক ফৎত্রে অমদি মহৈ মশিং তম্বদা খুদোংচাদবা মায়োকহল্লে হায়খি। রাজ্যপালনা চাওখৎ থৌরাংগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরদা অহেনবা মীৎয়েং চংগনি হায়বগী থাজবা পীখি।

ইন্তর দিষ্ট্রিক্ট বাউন্দরিজ রিওর্গনাইজেসন দিমান্দ কমিতি ফোর এদমিনিষ্ট্রেটিভ কনভিনিয়েন্সনা ঙসি রাজ্যপালদা মেমোরেন্দম অমা খুৎশিন্নখ্রে। চেনা ৬ পানবা মেমোরেন্দম অদুদা লৈঙাক সাসনগী খুদোংচানবা অমসুং অচুম্বা ৱায়েলগীদমক ইন্তর দিষ্ট্রিক্ট বাউন্দরিশিং নৌহৌননা শেমদোকবা দাবী তৌখি।

হ্বিল চেয়ার বাস্কেটবোল এসোসিয়েসন ওফ মণিপুরগী মীহুৎ কাংবু অমনসু রাজ্যপালগা উন্নখি। উন্নবা অদুদা মীহুৎ কাংবু অদুনা খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়ম নত্রগা অতৈ মফমশিং মখোয়গী প্রেক্টিস তৌনবা শিজিন্নবা য়াহনবীয়ু হায়খি। মধ্য প্রদেশকী গ্বালিয়রদা পাঙথোক্কদৌরিবা জাতি থাক্কী তুরনামেন্টতা মখোয় শরুক য়াগনি হায়নসু রাজ্যপালদা পাউদমখি।

নোর্থ ইষ্ট ইস্কোনগী জোনেল সেক্রেটরি অমদি অতৈ মীওইশিংনা রাজ্যপালগা উন্নদুনা মথং থাগী ১৬ তা পাঙথোক্কদৌরিবা জন্মা ষ্টমিগী থৌরমদা শরুক য়াবীনবা বার্তন তৌখি।

গভর্নমেন্ট (এল)ঃ  মীয়ামগী তঙাইফদনা চংবা থবক থৌরমশিং ফংহন্নবা মণিপুর সরকারনা মীয়ামগা হেন্না নকশিন্ননবা পান্দমদা নুমিৎ হুমি চখ্থগদবা গভর্নমেন্ট সার্ভিস ফেসিলিতেসন প্রোগ্রাম ঙসিদগী হৌখ্রে।দিষ্টিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ইম্ফাল ৱেষ্টকী মীৎয়েং মখাদা ইনফোর্মেসন টেকোলোজি বিভাগনা শিন্দুনা মণিপুর ত্রেদ এন্দ এক্সপো সেন্তর লম্ফেল খোঙনাংখোঙদা কম্মন সার্ভিস সেন্তরগী খুথাংদা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীয়ামদা তঙাইফদবা চে চাংশিং ফংহন্নবা হোৎনরি। কেম্প অসিদা দোমিসাইল, এস.টি-এস.সি, ও.বি.সি অমসুং ইনকম সার্তিফিকেট, আধার এনরোল তৌবা, দিজিতেল গ্রিভান্স সপ্পোর্ট অমসুং সরকারনা পীরিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা হেন্না খঙহন্নবনি।

কেম্প অসি হয়েং হিয়াংথাংদা লৈবা কমখ্যা পেমতোন কলেজদা পাঙথোক্কনি। অরোইবা নুমিৎতনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী শগোলতোংবদা লৈবা রিসেন্ট হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোক্কনি।

কলেজ (এল)ঃ  প্রভাবতি কলেজ ময়াংইম্ফালগী ইন্তরনেল ক্বালিতি এসুরেন্স সেল ওর্গনাইজিং কমিতি অমসুং ষ্টুদেন্টস যুনিয়ন্না শিন্দুনা একাদমিক সেসন ২০২৫-২৬ কী ওইনা ষ্টুদেন্টস ইন্দক্সন প্রোগ্রাম অমা ঙসি ফিটনেস সেন্তরদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি মহৈরোইশিংবু কলেজ অসিগী একাদমিক কেলেন্দর হেন্না মমুৎ তানা খঙহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি।

সেনাপতি (এল)ঃ  সেনাপতিগী মাউন্ট এভরেষ্ট কলেজনা অকোইবগী ফিভম ঙাক শেনদুনা থম্বা হায়বা ৱাখল্লোনগী মনুং চন্না ঙসি কলেজ অসিগী কেম্পসতা ওর্কিদেরিয়ম অমা হাংদোকখ্রে। ওর্কিদেরিয়ম অসিনা লমদম অসিগী মুখরক্লবা মহৌশাদগী লৈরক্লবা ওর্কিদ লৈ মখল অসিবু ঙাক শেনদুনা অমদি য়োকখৎতুনা থমগনি অমসুং লমদম অসিগী ওইবা ওর্কিদ মখল কয়াগী মতাংদসু মীয়ামদা খঙহনগনি। ওর্কিদেরিয়ম অসিদা হৌজিক ফাওবদা তোঙান তোঙানবা উরৈ মখল ৩৩ থল্লি।

য়ুথ (এল)ঃ  রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ ইমপ্লোইমেন্টকী মখাদা মোদেল কেরিয়র সেন্তরনা শিন্দুনা ইবোতোনসনা গার্লস হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা নোংমগী ওইবা কেরিয়র কাউন্সেল্লিংগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। নেসনেল কেরিয়রস সার্ভিসকী থৌশিল মখাদা পাঙথোকপা থৌরম অসিনা লৈবাক অসিগী নাগরিকশিংনা করমা থবক থীগনি অমসুং ফংনবা হোৎনগদগে হায়বগী মতাংদনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা দাইরেক্তোরেট ইমপ্লোইমেন্ট এদ্দিসনেল দাইরেক্তর থোঙাম শোবাস সিংহনা হায়খিবদা মীয়ামা য়ারিবা মখৈ ইমপ্লোইমেন্ট একচেঞ্জদা মীং চন্নবা হোৎনগদবনি। মহাকা হায়- ইম্ফালদা ইমপ্লোইমেন্ট একচেঞ্জ কমপ্লেক্স ১৭ লৈ অমসুং লৈবাক শিনবা থুংবদা মোদেল কেরিয়র সেন্তর ৪০৭ লৈ।

ককচিং (এল)ঃ  দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ককচিংনা প্রধান মন্ত্রি রাষ্ট্রিয়া বাল পুরুস্কার ২০২৫ গীদমক মীং পীখৎলকবা হায়রি। ইনোভেসন, আর্ট এন্দ কলচর, শান্ন-খোৎনবা, থৌনা ফবা, সোসিয়েল সার্ভিস অমসুং একাদমিক্কী লমদা হৈথোই শিংথোইরবা অঙাংশিংদা মনা অসি পীগদবনি। চহি অসিগী সেপ্তেম্বর ৩০ ফাওবদা চহি ১৮ গী মখাদা লৈবা অঙাংশিংনা মসিগীদমক চে থারকপা য়াগনি। মরী লৈনবা চেশিং অদু থা অসিগী ৩১ ফাওবদা দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন য়ুনিত ককচিংদা পীখৎলকবা হায়রি।

চান্দেল (এল)ঃ  ৭৬ শুবা ভন মহোৎসবকী শরুক অমা ওইনা ঙসি সলেমথরদা লৈবা ইন্দষ্ট্রিয়েল ষ্টেট চান্দেলদা দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসর অমদি দি.আই.সি চান্দেলগী জেনরেল মেনেজরনা শিন্দুনা ইন্দষ্ট্রিয়েল ষ্টেট অসিগী অকোইবদা উ-চারা ১৫০ রোম থাখ্রে। থৌরম অদুদা, চান্দেলগী দি.এফ.ও ডাঃ এন. মুনাল মীতৈ অমদি দি.আই.সি চান্দেলগী জেনরেল মেনেজর টি.ঐচ বিজয় সিংহ শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা ডা.এন.মুনাললনা হায়- ঐখোয়না কাউরোইদবদি উ-ৱাশিং অসি মালেমদা হিংলিবা জিবশিংগীদমক কখোল্লুবা লান্মী অমনি, মখোয়না অতোপ্পগী কান্নবা তৌবা নত্তনা মশাগী ওইজবা কৈদৌনুংদা থিদে।

সংসদ ঃ সংসদকী নোংজ্ মীফম ঙসিদগী হৌখ্রে। মীফম মথং থাগী ২১ ফাওবা চত্থগনি। ঙসি অহৌবা নুমিৎতা রাজ্য সভানা অয়াবা পীবগা লোয়ননা সংসদনা লেদিং বিল ২০২৫ পাস তৌখ্রে। বিল অসি লোক সভানা চহি অসিগী মার্চতা হান্ননা পাস তৌখ্রবনি। বিল অসিনা জহাজগী খুত্থাংদা পোৎ পুথোক পুশিন তৌবদা আইনগী ওইবা থবক থৌরমশিং হেন্না লাইথোকহন্নবনি। মসিনা ইন্দিয়ান বিলস লেদিং এক্ট ১৮৫৬ কী মহুৎ শিল্লগনি।

রাজ্য সভাদা বিল অদু খন্নবগী পাউখুম পীরদুনা কেন্দ্রগী পোর্টস, সিপ্পিং অমসুং ৱাটরৱেজ মন্ত্রি সরবানন্দ সোনোৱালনা হায়- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ইং ২০১৪ দা শক্তি পায়রক্লবা মতুং ৱাটর ৱেজ মন্ত্রালয়গী মীৎয়েং হেন্না পাকথোক চাউথোকপগা লোয়ননা সগরমালা প্রোগ্রাম পায়খৎতুনা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্ট ৮০৫ মশক খঙদোকখি। মহাকা হায়- প্রোজেক্ট অসিগীদমক লুপা কোতি লাখ ৫ লিশিং ৫০ হেন্না চাদিং তৌখ্রে। মন্ত্রিনা হায়- সগরমালা প্রোগ্রামগী মখাদা হিথাংফমশিং মতমগা চুননা চাওখৎহন্নবা হোৎনরি। মহাকা হায়- মরুওইবা হিথাংফমশিং, রেল অমসুং লম্বীগা শমহল্লে। মহাকা হায়- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ভারত অসি ইং ২০৪৭ ফাওবদা মালেমগী জহাজ শাবা মকোক থোংবা লৈবাক মঙাগী মনুং চন্নবা পান্দম থল্লি।

অমরোমদা, প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি কেন্দ্রগী মকোক থোংবা মন্ত্রিশিংগী উন্নদুনা হৌজিক চত্থরিবা সংসদকী নোংজ্ মীফমগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখ্রে হায়রি। মীফম অদুদা প্রধান মন্ত্রিদা বিজিনেস এদভাইজরি কমিতিদা খন্নখিবা অমদি বিরোধি দলশিংনা ওপরেসন শিন্দুরগী মতাংদা প্রধান মন্ত্রি ৱা ঙাংনবা দাবী তৌদুনা চরাংনবা থোকখিবা অদুগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখি হায়রি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা সংসদকী নোংজ্ মীফম অসি মহয় য়ানবা মীফম অমা ওইবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী গনতন্ত্র হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা খন্ন-নৈনবা মীফম অমা ওইগনি হায়বগী থাজবা ফোংদোক্লি।

সংসদকী মীফম মাংওইননা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- মীফম অসি লৈবাক অসিগী ওইনদি চাউথোকচনিঙাইনি। মসি অপুনবগী ওইনা মায় পাকপগী চাউথোকচনিঙাইনি। রাজনীতি দলশিংগী সংসদ সদস্যশিংনা নোংজ্ মীফম অসি ইংনা তপা চথবদা মতেং পাংবীনবা প্রধান মন্ত্রিনা আপীল তৌখি। মহাকা হায়- ঙসিদি মালেমনা ভারতকী মিলিটরিগী পাঙ্গল শক্তি অদু খঙলে। মহাকা হায়- ওপরেসন শিন্দুরদা ভারত লান্মী চাদা চামা মায় পাক্তুনা তেরোরিষ্টশিংগী লোৎফমশিং থুগাইখি।

শ্রী মোদিনা হায়- ভারত লান্মীনা মখোয়গী পান্দম অদু শুপতগী মিনিত ২২ দা লোইশিনখি। পহলগামগী মীহাৎ অদুনা মালেমগী মীয়ামদা থম্মোয় শোকহনবগা লোয়ননা মালেমগী মীয়াম্বু তেরোরিজমদা পুকিং চিংশিনবা হৌরকখি। প্রধান মন্ত্রিনা হায়- দলগী খেন্নবা থাদোক্তুনা লৈবাক অসিগী স্বার্থদা রাজনীতি দলশিংগী মীহুৎশিংনা মালেমগী লৈবাক কয়াদা চত্তুনা পাকিস্তানগী থৌওংবু অন্তরজাতিগী থাক্তা উৎথোকখি। শ্রী মোদিনা হায়- ভারতনা তেরোরিজম নত্রগা নক্সলিজম য়াওনা হিংশাগী থৌওং কয়া মায়োকদুনা লাক্লি। অদুবু ঙসিদি নক্সলিজম অমসুং মাওইজম থবক থৌরমশিং তপা তপা মুথরক্লি। শ্রী মোদিনা হায়- ইং ২০১৪ গী মমাংদা ভারত অসি মালেমগী শেনমিৎলোনগী লমদা ১০ শুবা মফমদা লৈরম্বনি। অদুমওইনমক, ঙসিদি খোঙজেল য়াংনা চাওখৎলকপগা লোয়ননা মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা অহুমসুবা ইকোনোমি ওইবা ঙমলে।

মুম্বাই ঃ বোম্বে হাই কোর্টনা ঙসি ইং ২০০৬ তা থোকখিবা মুম্বাই ত্রেন ব্লাষ্ট কেসকী মরালদা চেন্নে হায়বগীদমক ফাজিনদুনা থল্লম্বা মীওই ১২ মতিক চাবা প্রমান ফংদবদগী মরাল কোকপীখ্রে।

জষ্টিস অনিল কিলোর অমসুং শ্যাম চন্দক অনিগী অখন্নবা বেঞ্চ অমনা হায়রিবা মীওইশিং অসি কেস অসিদা চেন্নে হায়বগী প্রমান লৈতবনা মখোয়দা পীগনি হায়না তৌরম্বা দন্দি খুদিংমক কোকখ্রে। কোর্ট অসিনা মখা তানা হায়রিবা মীওইশিং অসি অতোপ্পা কেসশিংদা চেন্নবগী রিপোর্ট লৈত্রবদি খুদক্তা থাদোকখিনবসু খঙহনখ্রে।

নিংশিংবা য়াই, ইং ২০০৬ কী জ্লাই ১১ দা থোকখিবা লাইবক থিবা থৌদোক অদুদা মীওই ১৮০ হেন্না লৈখিদবনি অমসুং অতোপ্পা কয়াসু অশোক অপন নংখি।

বঙ্গলাদেশ ঃবঙ্গলাদেশ এয়ার ফোর্স ত্রেনিং জেট অমা ঙসি ধাকাদা লৈবা মাইলষ্টোন কলেজ কেম্পসতা তাশিনদুনা কায়বদা এয়ারক্রাফট অদুগী পাইলোৎ য়াওনা পুন্না মীওই ১৯ লৈখিদ্রে। অতোপ্পা মীওই ১০০ হেন্না অশোক অপন নংখ্রে।

অকাশবানি ধাকা পাউমীনা হায়- বঙ্গলাদেশ এয়ার ফোর্স এফ-সভেন এয়ারক্রাফট অদু ঙসি নুংথিল পুং ১ মখায়রোম তাবদা কলেজ অসিগী বিল্ডিংদা থোমজিনদুনা কায়খিবনি। বঙ্গলাদেশ আর্মি অমসুং ফয়ার সার্ভিসকী মীওইশিংনা মী কনবগী থবক চথুরি।

নোং ঃ লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংদা কুমগী নোং কনশিল্লকপগী লোয়ননা মফম কয়াদা নোং চুরে। হিমাচল প্রদেশতা নোংগা মরী লৈনবা থৌদোক্তা মীওই ১২৫ শিরে, লম্বী ১৪২ থিংজিনখ্রে। রাজ্য অদুগী মফম কয়াদা ওরেঞ্জ অমসুং য়েল্লো এলার্ট লাউথোকখ্রে। হৌজিক ফাওবদা মীওই ২১৫ অশোক অপন নংলে, ৩৪ থিবা খঙদনা লৈরি।

জম্মু কাশ্মীরদা চীং নীংখায়রকপদগী রিয়াসি জিলাদা ভক্ত অমা শিরে, মীওই ৯ না অশোক অপন নংলে। নোং কন্না চুবনা মরম ওইদুনা বৈষ্ণো দেবী মন্দির তান্না যাত্রা চৎপশিং থিংজিনখ্রে। এস.দি.আর.এফ, পুলিস,

সি.আর.পি.এফ অমসুং মফম অদুগী ভোলুন্তিয়ারশিংনা মী কনবা অমসুং তেংবাং পীবগী থবক চত্থরি। জম্মু কাশ্মীরগী মফম কয়াদা থা অসিগী ২৩ ফাওবা য়েল্লো অমসুং ওরেঞ্জ এলার্ট লাউথোকখ্রে।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

বোক্সিং ঃ মণিপুর এমেচর বোক্সিং এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা অন্দর ফিফতিন বোইজ এন্দ গালর্স, অন্দর সভেন্তিন বোইজ এন্দ গার্লস, অন্দর নাইন্তিন মেন এন্দ ৱিমেন ষ্টেট লেবেল বোক্সিং চেম্পিয়নসিপ ঙসি খুমন লম্পাক বোক্সিং এরিনাদা হৌদোকখ্রে। থা অসিগী ২৭ ফাওবা চত্থগদবা চেম্পিয়নসিপ অসিদা জিলা ৭ তগী নুপা শান্নরোই ১০৮ অমসুং নুপী শান্নরোই ৭৯ শরুক য়ারি।

সুত্তিং ঃ মণিপুর রাইফলস এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা ওগষ্ট ১৭ তগী হৌগদৌরিবা সুত্তিং কম্পিতিসন অসিদা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট রাইফল এসোসিয়েসনদগী শরুক য়ানিংবা শান্নরোইশিংনা মথং থাগী অহানবা চয়োল ফাওবগী মনুংদা মিং, আধার কার্দ অমদি পাসপোর্ট সাইজ ফোটো কোপি অনিগা লোয়ননা এসোসিয়েসন অসিদা পীখৎলকবা খঙহল্লক্লি।

------